থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

মহৈরোয়শিংগী মঙ মঙবগী রাইট মৎপা

মার্চ ২৫দা অহানবা ওইনা, কোভিদ-১৯-লাইচৎ থেংননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট’না নুমিৎ ২১গী লোকদাউন - ফিরেপ লাউথোকখি। ইন্দিয়নশিংগী ওইনসু অহানবা এক্সপরিয়েন্স ওইবনা, ‘লোকদাউন’ হায়বা পোলিটিকল-এদমিনিষ্ট্রেটিব-এরেঞ্জমেন্ট অসিগা ‘কর্ফিয়ু’ হায়বা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা ইন্সত্রুমেন্ট অসিগা অনীসি অমহানি হায়বদি হৌরকপদা কনানসু খঙলমদে। অদুগীসু মথক্তা, ফিরেপ অসি লাউথোক্ত্রিঙৈ নুমিৎ হুমনিগী মমাঙ (মার্চ ২২) দা জনতা কর্ফিয়ু লাউথোক্তুনা নোংমগী নুমিৎ অমা ঐখোয় পূম্নমকপু য়ূমদই মপান থোকহনখিদে। কোন্নবুদি খঙনরকখি - লোকদাউন হায়বসি কর্ফিয়ুগী অতোপ্পা ৱাহে অমনি। মী পূম্নমক অসিবু ময়ূম-ময়ূমদা ছো লোনশিন্দুনা থন্বগুম মপান থোকহন্দনা লৈহনবগী থৌওং অদুবুনি। নুমিৎ ২১গী তুংদসু লায়না অসি লাকশিনবা ঙল্লক্তবদগী অতোপ্পা নুমিৎ ১৯ অমগা মখা তানা শাংথহনখি। লোকদাউনগী অনীশুবা তাংকক ঙরাং লোইখ্রবনি। অদুবু, ষ্টেট খরদা নুংনাংনীংঙাই ওইবা থাক অমদা হেনগৎলকপা লেপ্তুবদগী, ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ১৪ অমগা লোকদাউন মখা শাংথরি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দোকপা থিংনবা, ‘লোকদাউন’ তঙায়ফদবা পান্বে অমা ওইরবসু, মসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা থোকহল্লিবা অমাঙ-অতা, খল্লুবদা তুজুংনীংঙাই মশকনি। লৈবাকসিগী লৌউ-শিংউ, কল-কারখানা, হোটেল (সর্ভিস) ইন্দষ্ট্রি, মেন্যুফেকচরিং ইন্দষ্ট্রি... পূম্নমক থবক লেপ্তুনা লৈখিবা, মদুনা লৈবাকসিগী ইকোনোমিদা পীরক্কদবা অকনবা চৈথেং-খঙদবসু খঙনরক্ল’নি। সেন্টরগী লৈঙাক্তফাওবা অসুক কনবা চৈথেং পীরবদা, মণিপুরগুম্বা সেন্ত্রেল গ্রান্ট’তা তাংলগা হিংবা ষ্টেটশিংগী ইকোনোমিদি? হায়রুদুনা কান্নদে। গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তগী খ্বাইদই য়াইফবা, মরেক মহাও থোকপা পুন্সি অমা লেল্লি শিংথানরিবা দোক্তরশিংদা পীরিবা ‘নন-প্রাক্টিসিং-এল্লাৱেন্স’ মখা তানা পীররোই হায়না লৈঙাক্লা ওর্দর অমা থোক্লুবা, ‘কোরোনা-ৱারিয়র’ মিংথোল পীদুনা লৈবাক্লা ইকায়খুম্নরিবা দোক্তরশিংনা ‘ওর্দর অদু নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা কক্ত্রবদি থবক লেপ্পা-ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিল্লগনি’ হায়দুনা ওল মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেস দোক্তরস এসোসিয়েসনগী খূথাংদা লাউথোকখ্রিবা অদুনি। নন-প্রাক্টিসিং এল্লাৱেন্স ফংনা ফংনা, মণিপুরগী দোক্তর অয়াম্বা, ময়ূম-ময়ূমদা অমদি অতোপ্পা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা প্রাক্টিশ তৌদুনা অহেনবা শেনফম (এক্সত্রা-ইনকম) ময়াম অমা তাল্লি হায়বা ৱাফমসিবুদি পূম্নমক্লা খঙলিবনি। এন পি এ ককখিবসিনা দোক্তরশিংগী লিভিং কন্দিসন’দা করিমত্তা এফেক্ট তৌরোই হায়বসিবুদি অচুম্বনি। অদুবু, করিগুম্বা মওং অমা নৎত্রগা অমদা ফংলম্বা তোলোপ হন্থহনবা হায়বসি ‘পর্সোনেল প্রাইদ’ অদুদদি চাউবা শোকপা লৈবদুনা মখোয়সু ষ্ট্রাইক’কী ফিরেপ লৌরকপনি। লৈঙাক পায়রিবা অঙম্বশিংদা, ফিরেপ অসি লাউথোক্লমদাইদা ৱাফম অমখক্লা হান্না ৱামাঙ য়ালহন্নীংখি (ঐগী লন্নাই ৱাখলনিকো) - ‘কোভিদ-১৯ থেংননবা অখন্নবা ফন্দ শেমগৎপদা এম পি/মিনিষ্টর/গভর্ণর ফাওবনা থাগী তোলোপ চাদা কুন্থ্রা সেক্রিফাইস তৌখ্রবনি... চিরবা তানফম অসিদা এরিষ্ট্রোকেটিক-ইমপ্লোয়ী গ্রুপ’তা চল্লিবা দোক্তরশিংদগী মতেং ওইনা এন পি এগী শেনফমসিমদি লৌজবা তারে’...। পুকচেল চাউরবা শিনফমনি। মশামক্কী পুন্সিবু অশিবই খয়াত্তা লংশিল্লগা কোভিদ-১৯না নারবা অনাবশিংবু কন্ননবা হোৎনরিবনি, করিগীসু য়ারক্লোই!

অসুম্না, কোভিদ-১৯ এটেক’না ঐখোয়দা পীরিবা চৈনা-চৈথেং ময়ামসিগী মরক্তা ঐবু খ্বাইদই নুংঙাইহন্দবদি মালেমগী লৈবাক ১৯০দা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন পূম্নমক থিংজিনখিবগী পাউ অসিনি। য়ুনেস্কো’গী পাউ মতুংইন্না, মালেমদা (এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসনশিংদা) মিং চন্দুনা লৈরবা মহৈরোয় চাম্মগী মনুংদা ৯০ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরি। ইন্দিয়াদসু মার্চকী অনীশুবা চয়োলদগী লায়নাসিনা মরম ওইদুনা স্কুল-কোলেজ থিংজিন্নবা হৌরকখি, অহুমশুবা চয়োলদগীদি পুমথিং থিংলকখিবদুনা ঙসি ফাওবা থিংলক্লি। কৈদৌঙৈ অমুক হাংগনি? কনানসু হায়বা ঙমদে। ক্লাস অমা য়াওহৌদবগী মাঙজবা, মেনখৎপদা নুমিৎ কয়ানি চঙলিবনি। থা অনী অহুম লেপ্তুনা, লাৱর প্রাইমারি ক্লাসতগী হৌরগা য়ুনিভর্সিটি লেভেল ফাওবগী ক্লাস তৌরক্তবা হায়বসি চহী অমা চূপ্পা মেনখৎলবসু ফুনবা ঙম্লরোইদবা অহাঙবা অমনি। ‘ওন-লাইন-ক্লাস’ হায়বা সেটিলাইটকী মতেংনা পাঙথোকপা ক্লাস খরা চথুনবগী পাউ তারিবা, অখন্নবা সেন্টর খরখক্তদা ফংবা খুদোংচাবা অমনি। মদুসু প্রাইভেট সেক্টরদনা অয়াম্বা। অসুম্না, মতম শাংনা ক্লাস চথুরক্তবসিনা মরুওইবা এগজামিনেসন সিদ্যুল কয়াদসু অহোংবা লাকহল্লগনি। ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল বোর্দ’তা এফিলিয়েট তৌবা স্কুল/কোলেজ পূম্নমক, ক্লাস সস্পেন্দ তৌখ্রবনা প্রমোসন/সেমেষ্টর এগজাম পাঙথোক্লরোই। প্রমোসন পীথোকখিবা - অমত্তা ঙায়রবা সোল্যুসননি, এদ্যুকেসনগীনা খ্বাইদই চাউবা মাঙজবা! ইঞ্জিনিয়রিং তম্নবা (জে ঈ ঈ) এগজামিনেসন, মেদিকেল কোর্স তম্নবা, এন ঈ ঈ টি - য়ৈথোকখ্রিবসিনা, কৈদৌঙৈ পাঙথোক্কদবা? হায়বা ঙমদ্রি কনাসু।

অদুগা, নহা ওইরিবা মহৈরোয় লিশীং কয়াগী মঙ, মঙফাওনহন্নবা চাংয়েং - য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী, মে ৩১দা পাঙথোক্লবা শেম-শারিবা ‘সিভিল সর্ভিস এগজামিনেসন’সিনা কমদৌবা! পাউদম অসি ইরিঙৈ মীকূপ’সি ফাওবদি গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ লাউথোক্ত্রি। অদুবু, ওইরক্লিবা লৈঙাক্কী ফীভম অসিদদি প্রিলিমিনেরি এগজাম অসিদি শোয়দনা য়ৈথোক্লগনি পানরি। ‘লোকদাউন-থ্রী’ অসি লোইশিল্লকপা মতম অদুৱাইদদি চাউরাকপা শক্তম অমদি শোয়দনমক্কী খঙলগনি - মহৈরোয়শিংগী মরায়বক অমম্বা মায়কৈ পাংগদ্রা? নৎত্রগা মমি-শামিবা মঙাল অমগী মায়কৈ তম্না চৎকদ্রা?

লৌশিং পুক্কে

মীয়াই চল্লক্ত্রিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা

হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবা মীওইশিংনা মীয়াই চল্লক্ত্রিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা তারবদি দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থরকই।

হকচাংগী অরূম্বা হেনবা অমদি কা-হেন্না নোয়বা হায়বসিনা দাইবেটিস য়াওনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকই।

লন্দনদা লৈবা সেন্ট জোর্জ য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্সরশিংনা নহা ওইরিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা অমদি নোয়বা হেনবা মীওইশিং তুংগী পুন্সিদা দাইবেটিস, হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্ক মায়োক্লরকপরা হায়বগী মতাংদা কুপ্পা থিজিনখি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা প্রোফেসার খৃষ্টোফর ওৱেননা হায়খি, নহা ওইরিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা অমসুং নোয়বা হেল্লবদি তুংগী পুন্সিদা দাইবেটিস অমদি থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। অদুবু ঙল্লিঙৈদা মতম চানা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্দুনা ফেটকী শরুক লৌথোকখ্রবদি রিস্ক হন্থরকই হায়রি।

প্রোফেসার খৃষ্টোফর ওৱেন অমগী মহাক্কী কাঙবুনা মীয়াই চল্লবা হায়বদি মশাগী চহী ৪০ দগী ৫৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ৭৭৩৫ গী বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ওল্লম্মী। বি এম আই হায়বসি মীওই অমগী মরেপতা হকচাংগী অরূম্বনা য়েন্থোকপদা তারকপা মশীং অদুনি।

ষ্টদি অদুগী রিছার্সরশিংনা খঙলকখিবদি নহা ওইরিঙৈদা কা-হেন্না নোয়বা অমসুং লুম্বা মীওই খুদিংমক অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা দাইবেটিস অমদি থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়বসিনি। অদুম ওইনমক ঙল্লিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হন্থহনবা ঙল্লবদি রিস্ক হন্থরকই হায়রি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিনা মরম ওইরদুনা অনোয়বা মীওইশিংদা টাইপ-টু দাইবেটিস ঙাকথোকপদা চাউনা মতেং ওইনরগনি হায়না থাজনরি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ১৯৮০ গী মতুং তারকপদা মালেমগী ওইনা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা মীশিং শরুক অনীরোম হেনগৎলক্লে। হকচাংগী অরূম্বা হেনবনা দাইবেটিস খক নত্তনা থম্মোয়গী লায়না অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্কসু হেনগৎহল্লি। মদিসু নত্তনা ওষ্টিওঅরথ্রাইটিসকুম্বা মস্কুলো-স্কেলেটল দিসওর্দর, এন্দোমেট্রিয়ল কেন্সর, ব্রেষ্ট কেন্সর অমদি কোলোন কেন্সরগী রিস্কসু হেনগৎহল্লি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা লেপখিবা কাঙলোন মতুংইন্না বি এম আই ২৫ দগী হেনা মীওইশিংবু ওভরৱেথ অমসুং বি এম আই ৩০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মীওইশিংবু ওবেস ওইরে হায়না লৌগদবনি।

অমরোমদা, অমেরিকান হার্ট এসোসিএসন্না হন্দক্তা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মালেমদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী মরম ওইরিবসি কুমজা ২০১৩ গী ওইনা থম্মোয়গী লায়নানি। ষ্ট্রোক্লা অনীশুবদা লৈরি। হায়রিবা চহী অদুদা শিখিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩১ রোম থম্মোয়গী লায়নানা শিহনখিবনি। থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইরদুনা শিখিবা মীওই অয়াম্বা শেন্থোক ৱাৎপা ইমুংগী মীওই ঙাক্তনি।

মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবগী মতাংদা ষ্ট্রোক্লা অনীশুবদা লৈরি। কুমজা ২০১৩ দা শিখিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ১১.৮ দি ষ্ট্রোক্লা মরম ওইরদুনা শিখিবনি। অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট মার্ক ক্রীগরনা হায়খি, থম্মোয়গী লায়না অমদি ষ্ট্রোক্লা মরম ওইরদুনা মী শিহনবগী চাং খরমখৈ হন্থহনবা ঙল্লবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তা অদুম্মক লৈরি।

কুমজা ১৯৫৮ দগী হৌনা য়ু এসকী নেসনল ইনস্টিট্যুট ওফ হেল্থ, সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন অমসুং অমেরিকান হার্ট এসোসিএসন্না খোমজিল্লকপা তোঙান-তোঙানবা দেটাশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱাফম অসি খঙলকপনি। কুমজা ২০১৩ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনা মীওই অহুম শিখিবগী মনুংদা অমদি থম্মোয়গী লায়না, ষ্ট্রোক অমদি অতৈ কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজশিংনা মরম ওইরদুনা শিখিবনি হায়বা ষ্টদিদগী খঙবা ঙমখি।

থম্মোয়গী লায়নানা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী থৌওং অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস খক্তদা নত্তে, মালেমগী মফম পূম্নমক্তনি হায়না ন্যুয়োর্ক একাদেমী ওফ মেদিসিনগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ফোর রিছার্স দেবিদ সিস্কোবিকনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, ঙসিগী মীরোল অয়াম্বা হাইপর টেন্সন, ওবেসিটি অমসুং দাইবেটিসকী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। চাকচা-য়ুথক অমদি পূন্সি মহিংনা মরম ওইরদুনা থৌওং অসি ওইহল্লকপনি। পূন্সি মহিং শেমদোকপদগী থম্মোয়গী লায়না অমদি দাইবেটিসনচিংবা ফনা য়াম্না লাকশিনবা ঙল্লবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তা অদুম্মক লৈরি। ৱাফম অসি ‘সর্ক্যুলেসন’ জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

চাকহাও জি আই টেগ ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

চাকহাও জি আই টেগ ফংলকপদা হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মর এসোসিএসনগী সেক্রেটরী জেনরেল দব্লীয়ু ইনাওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবা অসিনা মীয়ামগী পুন্সিরোলদা চাওনা অকায়বা পীরবসু লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী অপুনবা হোৎনজমলনা মণিপুরদা কোভিদ-১৯ নাবা মীওই ২ লৈরম্বা অদুসু মখা তানা শন্দোকহন্দনা লাকশিনবা ঙল্লি। মীয়ামগী অপুনবা থৌনা লিংজেলনা লায়না অসি মায়থীবা পীনবা হোৎনসি।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯ নাবা মীওই অনী লৈরম্বা অদু দোক্তরশিংনা কত্থোকপগা লোয়ননা চেকশিন্না লায়েংদুনা নেগেটিব ওইদুনা ময়ুমদা হলহনখ্রে। কোভিদ-১৯ নাবা মীওই অমত্তা লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারবসু চেকশিনবা মথৌ তারি। মণিপুরগা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মার অমদি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯গী মশিং হেনগৎলক্লি। কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসিদা শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লি। চৈথেং অসি পোত্থোক লৈজদবা লমদমদনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা ওইরি। মণিপুরদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমখিবদগী লৈঙাক্লা পায়খৎপা অখন্নবা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না লৌমীশিংনা লৌবুক্তা কুমদুনা থবক শুবা য়াহন্নবা থৌরাং পায়খৎলক্লি।

লৌমীশিংনা লৌউ-শিংউগী থবক পায়খৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মণিপুরগী লৌমীশিংনা হান্নদগী হৌনা পায়খৎতুনা লাক্লিবা লৌউ-শিংউগী থবক অসি মপুং ওইনা কালেন লৌউ অসিনা ওইরি। মতম অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা লৌমী খুদিংমক্লা চহী অমগী চানবা ফৌ পুথোক্লবা হোৎনরি। মতম চানা খোইবা লৌফমশিং শেম শাহৌবা হায়বসি লৌমী অয়াম্বগী তৌদবা য়াদবা থবক অমা ওইরি। মাগী মাগী লৌফমশিং খোইনবা থৌরাং লৌরক্লি। খোইনবা ট্রেক্টরগী থাও মরাং কায়না ফংদবনা মরম ওইরগা থাও লৌনবা হোৎনবদা মফম খরদদি অৱাবা মায়োক্লরি।

মণিপুরদা পায়খৎলিবা লৌউ-শিংউগী থবক অসি কুমগী নোংজগী মখা পোন্না পায়খৎপনা মরম ওইরদুনা তম্বা ঙমদবা ফিভম মায়োক্লে। মসিদা খরদা ওইরবসু কন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা লোক্তাক লিফট ইরিগেসন অমদি রিভর লিফট ইরিগেসন অসি মথৌ তৌহন্দুনা লৌবুক্তা ঈশিং ফংহনবীয়ু। লোকদাউননা মরম ওইরগা পীরকপা য়াবা চৈথেংশিং অসিদগী কোকহন্নবা লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা লৌউ-শিংউগী পোত্থোকশিং অসি চাথোক হেনগৎহন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। লৌমীশিংনা হার মতম চানা ফংদনবগী অৱা চৈথেং চহী খুদিংগী মায়োক্লরি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মতম চানা ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

মণিপুরগী চাক-হাও জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন টেগ ফংলকপদা নুংঙাইবা অমদি হরাওবা ফোঙদোক্লি। চাক-হাওগী রেজিষ্ট্রেসন ফংহনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়ম অমদি সার্টিফাইদ তৌহন্নবা হোৎনবদা থৱায় হাপখিবা মণিপুর লৈঙাকপু থাগৎলি। চাকহাওনা জি আই টেগ রেজিষ্ট্রেসন ফংবা অসিনা চাকহাওগী তোপ-তোপ্পা মতিক ময়াই মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্দুনা মুৎখিগদৌবদগী কনবা ঙমগনি। মণিপুরবু শক তাকপদা মতেং ওইগনি।

ইপা-ইপুশিংনা থম্লম্বা লন অসিনা ঙসিদি মণিপুর মীয়াম্বু চাওথোকচবা ঙমহল্লে। চাকহাওগী মতিক ময়াইবু হেন্না পাকথোক চাওথোক্লা মালেমগী মফম কয়াদা খঙহন্দুনা ফৌ অসিবু থারিবা লাইরবা লৌমীশিংনা থেংনরিবা য়োনফম লৈতবগী অৱাবশিং কোকহনবতা নত্তনা মমল কানা য়োন্দুনা শেন্মীৎলোন শেমগৎপদসু মতেং ওইরগনি।

মখা তানা লমদমসিদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী কলচরগা মরী লৈননা শীজিন্নরকপা ঙারিনচিংবগী মতিক ময়াই হেনগৎহন্দুনা জি আই টেগ রেজিষ্ট্রেসন লৌনবা থবক মরী লৈনবশিংনা পায়খৎপীয়ু। লমদমসিগী শেন্মীৎলোন শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

শেল হন্থনা পীরব্রা চিংনরে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

এম জি এন আর ঈ জি এগী মখাদা জোব কার্দকী পীরক্লিবা শেনফমশিং প্রধান, মেম্বরশিংনা কক্লিংবা শেল ককহৌরগা শিন্মীশিংদা শেল হন্থনা পীরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না কংলা সোসল ৱেলফ্যের দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম দি মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জোব কার্দ পায়রিবা মীওইশিংগী বেঙ্ক পাস বুক মশা-মশাদা শীন্নদুনা চিংনবা অসি কোকহনবীয়ু। লোকদাউনগী ৱানরবা মতমসিদা শিন্মীশিংগী অৱামল মৎতুনা ফজখ্রবা এক্ট অসিগী ৱাহন্থোক মাঙহনবীগনু। বেঙ্ককী মায়কৈদগীসু একাউন্ট হোল্ডর মশা-মশাদা শেল শীন্নবীয়ু। মে ১৫ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবশিংনা থবক পাঙথোকপীয়ু। থৌওইদবা তারবদি মখা তাবা থবক চথুরক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

স্কিল ইন্দিয়া নেসনল স্কিল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন, প্রধান মন্ত্রি কৌসাল বিকাশ যোজনাগী মখাদা স্কিল ট্রেনিং ইনষ্টিট্যুট ওইরিবা কংলৈপাক ইনষ্টিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এন্দ য়ুথ স্কিল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেটিভ সোসাইটি কুম্বীগী প্রোপ্রাইটর নিংথৌজম নোংদ্রেনখোম্বনা মশাগী পোকেটতগী কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৪গী মনুংদা লৈবা মপুরোইবা লৈখিদ্রবী নুপী ১০০ অমদি কুম্বী তেরাখোং লম্লোংদা লৈবা সিনিয়র সিটিজন হোমদা লৈরিবা অহলশিংদা শেলগী মতেং ওইনা মীওই অমমমদা লুপা ৫০০ খুদোল তমখ্রে হায়রি।

চান-থক্লবা য়েন্থোকপগী অহানবা তাঙ্কক লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুসন এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সর্ভিসেস (টি দব্লিয়ু আই আর দি এস)না ইম্ফাল ইষ্ট, সাইকুল অমদি থৌবাল এরিয়াদা লৈবা দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়ূম-য়ূমদা চঙদুনা য়েন্থোকপগী থৌরমগী অহানবা তাঙ্কক ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

লমদম অসিদা লৈরিবা দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংদা চান-থক্লবা য়েন্থোকপগী থৌরম এপ্রিল ২৩দগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। থৌরম অসিগী মনুংচন্না চাউরাক্লা দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন ৪৫০ রোমদা চেঙ, আলু, তিলহৌ, থুম, অচাথাউ অমদি হৱাইনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম অদু ঙসি বাসিখোংদা লৈবা এথলেটিকতা গোল্ড মেডল ফংলকখ্রবা হেরোজিৎ নান্দেবমদা খুৎশিন্দুনা লোয়শিনখি। চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম মখা তানা পাঙথোকখিগনি হায়নসু টি দব্লিয়ু আই আর দি এসকী সেক্রেটরি ব্রোজেন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি। থৌরম অদুদা খোংমনদা লৈবা ধননজোয় ফিজিকেলি হেন্দিকেপ রেসিদেনসিয়ল ইংলিস স্কুল শিংজমৈদা লৈবা দি এস প্রি স্কুল এন্দ আরলি ইন্টরভেন্সন অমদি দি এস এ সী একাদেমি সেন্টর ইরিলবুংগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মীয়াম্না কিনরবা কোরোনাভাইরসতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মনুং চন্না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, জিরিবামগী জেনরেল সেক্রেটরী ঐচ রাজেননা লুচিংদুনা অনীরক শুবা ওইনা ঙসিসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা সোসল দিষ্টেন্স থমদুনা জিরি কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিংদা মাস্ক য়েন্থোকখ্রে। মাস্ক শীজিন্নবগী কান্নবা অমদি সোসল দিষ্টেন্স থম্বগী মতাংদসু এৱ্যেরনেস পীখি। ঐচ রাজেননা মাস্ক য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মাস্ক শীজিন্নবা অমদি সোসল দিষ্টেন্স ঙাক্লা পোৎ লৈবা য়োনবা তৌবা তঙাইফদে। জিরি কৈথেলদা ফম্লিবশিংনা অসিগুম্বা চেকশিন থৌরাং কয়া অসি লৌখৎতুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনসি হায়খি।

স্কুল ফী লৌনবা হোৎনরক্লবদি তুমিন্না লৈরোই : সুক

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

মহৈরোয়শিংদগী স্কুল ফী লৌনবা হোৎনরক্লবদি তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট গ্যানগর নামৈরাকপমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লাইরবা, ইনাকখুনবা খাক্তনা মীপুম খুদিংমক অৱাবা শরুক য়ামিন্নরি। ৱাবনা খম থেংনবা হায়বদু য়ৌরক্লবা মতম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রাইভেট স্কুল খরনা স্কুল ফী থিদোক্লবা মহৈরোয়শিংগী অহল লমনদা মেসেজ থারকই হায়বগী পাউ ফংলিবসি য়াম্না লাইবক থিবনি। স্কুল ওথোরিটিশিংনা ৱাখল খরা খন্থরগা স্কুল ফী নম-হাদুনা লৌনবা পায়খৎলক্লিবা থবক অসি হন্দোকপীয়ু। মমাঙদসু মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা পেন্দেমিক্কী মতম অসিদা স্কুল ফী লৌদনবা খঙহনখিবা লৈরবনি। মখা তানা নমদুনা মহৈরোয়শিংদগী স্কুল ফী লৌনবা হোৎনরক্লবদি সুক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। লৌখৎফম থোকপা থবক খুদিংমক সুক হেদ ওফিসগী লমজিং মখাদা লৌখৎনবা শোম শাবা লোইরে। মরী লৈনবা ওথোরিটি অমসুং লৈঙাক্লসু হিরম অসিদা পুক্নিং চংদুনা লান্নাইগী স্কুল খরনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসি লাল্লে হায়না তাকপদা মতেং পাংবীয়ু।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মফম অয়াম্বদা পোৎ চৈ য়োনবদা মমল য়াম্না হেনগৎনা য়োল্লিবা অসি তৌবিগনু। ইশাগী ওইজবা খরগীদমক পূম্নমকপু ৱারসনু হায়বগী ৱাখল্লোল অদু থাদোকপীয়ু। হান্নগী মমলদা য়োন্নবা হোৎনবীয়ু। মরম চাদনা পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎনা য়োল্লিবশিংদসু করি করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বদু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতি অসিনা খন্নবা লোইরে। অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়নসু চেরো অদুনা মা তারি।

দিফরেন্টলি এবল পার্সন কয়াদা চানবা তেংবাং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

রিলিফ সেন্টর ফোর ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন মণিপুরনা শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট কৈরাও রাজেন য়াওনা দিফরেন্টলি এবল পার্সন কয়াদা চান-থক্লবা তেংবাং পোৎলম খুৎশিন্নখ্রে হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেন্টর অসিনা হৌজিক লোকদাউননা অৱাবা মায়োক্লরিবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলম খুৎশিন্নদুনা লাকপগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈরাও মখা লৈকায়দা লৈবা আর্টিষ্ট নিংথৌজম রাজেন য়াওনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মফম কয়াদা লৈবা মীওই কয়াদা চানবা পোৎলম খুৎশিন্নখ্রে।

কেলেন্দর প্রোগ্রামগী মনুং চন্না চহী অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱা-অনা মায়োক্লরিবা মরু ওইনা দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংগীদমক চহী অসিগী মার্চ থাদগী রিলিফ সেন্টর অসিগী মিদিয়া এদভাইজর নিমোল নিংঙোম্বমগী মীৎয়েং মখাদা তেংবাং পোৎলম কয়া খুৎশিন্নদুনা লাক্লি। মিদিয়া এদভাইরজ নিমোল অমদি রিহেবিলিটেসন ওফিসার কে ঐচ কর্নাজিৎকী মীৎয়েং মখাদা কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা কৈরাও মখা লৈকায়দগী আর্টিষ্ট রাজেন, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চনবা বামোন কম্পু, থোংজু এ সীগী বাসিখোং মমাঙ লৈকায়, বাসিখোং লৈরক অচৌবা, খোঙমন জোন-১ য়াওনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিশিংদা চেঙ, অলু, হৱাই, তিলহৌ, চিনি, ঙারিনচিংবা তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি। অমুকো, এম পি ডা. আর কে রঞ্জন, সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর এন জি উট্টম, রিমসকী দিন ডা. ব্রোগেন, আর কে রামেশ্বর, জেদ পি মেম্বর রাহুল, প্রধান বিশ্বর্জিৎনচিংবা কয়াগী অচৌবা তেংবাংগা লোয়ননা পোৎলমশিং অসি খুৎশিন্নখিবনি হায়নসু চেরো অদুনা মখা তারি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫। ০৫ ।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা;
কালেনগী ১৩ পানবা।

মেষ : লৈফম খঙদবা অমদি নচা ননাইগী লম্দা নুংঙাইতবা খজিক লৈরসু নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি, মরুপ-মপাংনা চানবীগনি, থাজদবা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃষ : মীনা ইনশিনবা লৌরদি মরম চাদনা চাদিং হেন্না তৌবা অমদি মতম মাঙবা লৈরবসু হরাওবা নুংঙাইবা, ইমুং-মনুং পুন্না থৌপাংবনা কান্নবা/ মীথোইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি ৱাখলদা তাউই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : খুদোংথীবা নান্থোকচবা অমদি হংকচাং নুংঙাইজবা নুমিৎনি। অরং অরাক, মরুপ অমদি অফবা মীচৎ ফংবা য়াবা লৈ-অদুনা অফবা /অরুবা থৌ পাংবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - থিজিনবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : য়েৎনবদা য়াওরুনু অমদি খাংবতা কল্লু শোয়দনা নীংবা থুংগনি, মীচং ফংজগনি, অঙম্বনা থোইনা চানবীগনি। মীতোপ থাজরদি কায়নবদি শোয়রোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : থৌয়াম পুবা অমদি অনম তান্না ঙক কনবা তৌগনু - মদুনা খুদোংচাবা কয়া মাঙহনগনি। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি, লৈফম অফবা ফংবা, মীয়াম্না য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : ঙসিসু হরাওবা নুংঙাইবা, শেন্দোং য়াম্না ফংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি থৌনা লৈবনা কান্নবা নুমিৎনি। অদুবু নোল্লুক্লা চৎত্রদি খৎনবা য়াবা লৈ-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : খোইরাংবা ফাথৌ, খন্থদনা হোয়া ফগনু অমদি মীগা চিন্দা পাউদানগনু - নত্রদি মাঙজবতা থংগদবা নুমিৎনি। হান্নদগী পাংবা থবক নত্তনা অনৌবা পায়দবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক : শেল-থুম কান্নগনি, য়েৎলম্বা ফরদুনা য়েক্লববু ঙমজবগী নুংঙাইবা লৈরনি অমদি লাই-গুরুনা থৌজালবীগনি। অদুবু কিবা অমদি লৌশিং থোক্তবদি লোয়নৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু : অনৌবা থৌরম পাংবদি ঙসিসু মায় পাক্কনি, লল্লোনবদা কান্নবা ফংগনি। অদুবু ঙক কনবনা অচানবা কাইনবা য়াবা লৈরি অমদি য়েক্লবনা য়েংথিগনি-চরাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : নকন্থিনা মরল মাঙহঞ্জবা, মরুপ-মপাংনফাও নরলদা মীতাবা অমদি শেল-থুম পনবা লৈগনি-তপথৌ। য়েৎনবসু য়াওরুনু। অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : য়েৎনবনা মাঙজবা, অফা-অপুনগী থবক্তা মায়থীবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈগনি। অদুবু খজিক্তং খাংবা কল্লবদি অমদি হেন্না অশা চাওদ্রবদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হৈপা শাগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মীন : নীংজবা লেম্নমক থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি মীয়াম্না পাম্বা থবক পাংবনা হেন্না খুমাঙ চাওশিনগনি। মরৌ লৈবা মরুপ্তগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী -নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।